## ৱারী মচা

# মোঙফম

### কৈশাম বীরেন্দ্র, হাইলাকান্দি, অসাম

ইং শোক ১৯৯২ গী জানুৱারি থাগী লোয়রমদাইদনি। ওঝা ময়াম কমনরুমদা ফল্লিঁঙৈদা ঐখোয় স্কুলগী বরবাবুদো নোক নোক্তুনা চঙলকই।

"ওঝাখোয়গী নিমন্ত্রণ লাক্লে।"

মীতে ওঝাশিংগী মফমদা লাকপা বার্ত্তন য়াম্না তোয়। থৌগন মরুপকী, সাহিত্য পরিষদকী, ক্লবকী লুহোং খোঙদোংবগী, পূজাগী, শ্রাদ্ধ কর্ম্মগী। শহরদা, মপান্দা খরা থবক তৌখিবদুদি কনামত্তনা উবিবা নত্তে। খুঙ্গংদা থবক তৌরিবা ওঝা ঐখোয়বুদনি। মরম অদুনা নিমন্ত্রণ, বার্ত্তন চিংখিবা নত্তে।

ওঝা অমনা বরবাবুদা হংই –

"করিগী নিমন্ত্রণনো?"

"ইশানা অদুম য়েংবিরো।"

বরবাবুনা কমনরুমগী অপাকপা টেবলদুদা চে ময়াম্মা শন্দোরকই।

"ও, পঞ্চায়েট ইলেক্সন!"

ইলেক্সনগী এপোইন্টমেন্ট লেটর মথং মথং শন্দোরকই। খুয়েক লৌ লৌদুনা ওঝাশিংদা য়েন্থোরকই।

নিমাইচান্দপুর হায়র সেকেন্দরীগী ওঝা ফনা য়াম্বনি। অয়াম্বা ওঝাগী এপোইন্টমেন্ট লেটর লাকখি। পূম্নমক এল, এ সেভেন কটালিছরাগী ঙাক্তনি।ফেব্রুৱারীগী তাং কুননিথোয়দা হাইলাকান্দি গভর্ণমেন্ট ভি এম স্কুলদা ইলেক্সন মেটরিয়েল লৌবগী ৱানি। অদুবু গারীদি লাকখিদ্রে। ওঝা খরদি রিক্সো ভারা লৌদুনা চৎনখিবা য়াওরে। অয়াম্বদি লৈহৌরি। নুংথিল পুং ২ গী অদুৱায়দা ঐখোয়বু লৌবা গারী লাকখি।

অসুম হায়না গারী থেঙনা লাকপা অয়াম্বা ইলেক্সন্দনি। নুমিৎ অদুদা খ্বাইদৈ থেঙনা লাকপা পোলিং পার্টি ঐখোয়না ওইরম্মী। পোলিং মেটরিয়েল লৌদদুনা লৈরম্বসি ঐখোয়গীদুতা ঙায়রম্মে। ঐগীদি ফার্ষ্ট পোলিং ওফিসারদো হাইলাকান্দি সহরগী ওয়বনিনা পোলিং মেটরিয়েলস রিসিভ তৌদুনা লৈরম্লে। ঐখোয়বু পোলিং মফমদা পুগদবা গারীদুদা পোৎ–চৈ পূম্নমক থাঙ্গৎলম্লে।

থেঙলবসু থেঙনা ঐখোয় পার্টি পূম্নমক পুন্না চৎপগী ঙাইদুনা লৈ। নুমিদাং ৱাইরম ওইরক্কদৌরে। গারী থাবগী মওং ইউ উরমদে। অয়ুক অঙনবদা চাক চানদুনা লাকপা ঙাক্তনি। চাক লাম্নরক্তুনা অচা অথক খরা চানরে। ঐখোয় পোলিং পার্টি তরুক্নি গারীদুদা। গারীদু কাটলিছরাদা থুংলুবদুদা নুমিদাং পুং ৮ তারম্মে। গারীদুদা য়াওরিবা পোলিং পার্টি অদুগী প্রিসাইদিং ওফিসার পূম্নমক ঐখোয় স্কুলগী ওঝা ঙাক্তনি। কুঞ্জেশ্বরনা গারীদুগী ইনচার্জনি। গারীদুগী ড্রাইভরদুনা কুঞ্জেশ্বরদা হায়রম্মী।–

"বাবু, ইখানে খাইলাইন। সামনে একটা হোটেল আছে। হোয়খানে গিয়া কিছু পাইবেন না।"

ময়াম কুমথনদুনা চাক চানৈ। ঐদি কোক চিকমনখিদুনা চাক চাবা ঙম্নমদে। ফার্মাসি অমদগী টেব্লেট লৌরুদুনা চারগা তোক্লে, চাক চাদ্রে।

ঐখোয় লাকমিন্নবা পার্টি পূম্নমক লোয়না কুমথনহৌরে। গারীদুদা কুঞ্জেশ্বর ঐখোয় অনীতা ঙাইরে। ঐখোয় অনীদি স্কুল অমত্তদনি পোলিং সেন্টর হরিশনগর এল পি স্কুলদনি।

নুমিদাং পুং ৯ তারকপগী অদুৱাইদা ঐখোয়বু পুরকপা গারী লেপখ্রে। লম্বীদুদা লৈবা থোং য়াওরমদ্রে। সোমদনা মফম য়ৌগদবদি কিলোমিটর অমমুক ৱাৎলি। ঐখোয় করি তৌসিগে হায়না খন্নরিঙৈদা নহামচা পাখঙ খরা লাকই। মখোয়না ঐখোয় পোলিং পার্টি অনীমক য়ূম অমদা পুশিন্দুনা থম্বীরম্লগা চৎনখ্রে।

নুমিদাং অদুমা তুম্থোই তুমদবোই লেনখি। নোং ঙাল্লমদাই ঙাইহাকতি তুমথবগুম তৌরুরে। অয়ুক্কী ক্বাক খোঙলকপদা ঐদি মীৎকপ থোক্লে। অতৈদি কন্না তুম্নরি, ঐদি হৌগৎলে।

মায়কৈ পূম্নমক লৈচিন্না পুম্মম্নি। ঐখোয়না লৈরিবা য়ূমদো চীংদুম মচা অমদা তাবা য়ূমনি। য়ূমদুগী অনকপদা হৌরিবা উপাল ৱাপালদি উই। য়ূমদো নৌনা তাবা য়ূম মাল্লি। হৌরিবা ক্বা পাম্বীশিংদো পংচাউ চাউরমদ্রি।

অয়ুক পুং তরেৎমখায়গী অদুৱাইদা পোলিং পার্টিগী মী পূম্নমক লোয়না হৌগৎনরক্লে। মতমদুদা ঐখোয়না লৈরিবা য়ূমদুগী ক্লাস টেন তম্বা নুপামচা অমনা অয়ুক্কী চা পুদুনা লাকই। অয়ুক্কী পুং মাপনমখায়গী অদুৱায়দনি লৈচিনকা অমত্তা লৈখিদ্রে লোয়না হাংখ্রে। মতমদুদা হরিশনগর হায়রিবা মফম অসি চীংলক্তা য়ূম হৎ হত্তুনা তাবা খুলনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

"ওঝা, ঐখোয়গী পোলিং ষ্টেসন স্কুল অদু অমুক্তংদি য়েংলুসি।"

য়ূমদুগী ক্লাস টেন তম্বা অঙাংদুনা ঐখোয়বু পুদুনা স্কুল অদু য়েংহল্লি। স্কুল শঙদো কা মরিনি। কা মরিমক থোঙ খিরকি অমত্তা মনা শুনবা য়াওরমদে। স্কুলগী বাউন্দরিসু ইহাং হাংই। ঐখোয়দা পীরকপা পৈশাদুনা বাউন্দরি খাবা কোন্নবগী ৱা নত্তে।

স্কুল য়েংলুদুনা হল্লক্লগা ঐখোয় অয়ুক্কী চাক্লেন চানরি। মতমদুদা কুঞ্জেশ্বরনা ফাগী তৌরকই–

'ওঝা, হন্দক্কী ঐখোয়গী খোঙশানসি ফৎলক্তমাল্লে। অয়েৎপগী অয়েৎপা ঙাক্তা। ঐখোয়না লৈরিবা য়ূম্বুসিগী মমিং খঙজিন্দুনা থম্বা ফদৌরিমাল্লে।" মাগী ফাগী অদো ঐনদি ফাগী ওইনা লৌরমদে। য়ূম্বদুগী মমিং মথা খঙজিন্দুনা থম্বা ফদৌরিমাল্লে।" য়ূম্বদুগী মমিং মথা খঙনিংলকই। অদুবু য়ূম্বদুগী মমিং মথা থিবগী মথৌ তাখিদ্রে। ঐখোয়না লৈরিবা কাদুদা ফক্লাংদা য়ূম্বু অহলদুগী মমিং মথা কোন্নবা মিংশেলনা ফ্রেম চনবা ফেয়াররেলগী পীরকপা চেদু থেত্তুনা লৈরম্লে। অহলদু এল পি স্কুলগী পোখারবা ওঝা ওইরম্লে।

চাক তোক্লবা মতুংদা ইলেক্সনগী চে–চাং খরা শুজিন্দুনা থম্মী। ঐদি মীৎ নুংঙাইতদুনা ঐগী ফার্ষ্ট পোলিং ওফিসর জিতেনদা থবক শুহল্লম্মী।

নুমিদাংদু ঐখোয় য়াম্না ঙন্না চাক পীজে। মথেল মকোই য়াম্না ফজনা তৌরম্মী। চাক চানা চানা কুঞ্জেশ্বরনা অমুক ফাগী তৌরকই–

"লুহোংবগী মঙানি চাক্কৌবদুঙাইরে ওঝা। খঙদে নুমিদাং করি তৌবিদৌরিবা?"

কুঞ্জেশ্বরনা হায়গুম্না নুমিদাংগী নোংয়াই মতুং পুং অমা মখায়গী অদুৱাইদা মী খরা লাক্তুনা ঐখোয়বু হৌদোরকই–

"দরজা খুলুন, দরজা খুলুন।"

থোঙ য়ৈদুনা ঐখোয়বু হৌদোরকপনি। ঐখোয় পূম্নমক মীকপ থোকই। ঐগী নাকোংদা কুঞ্জেশ্বরনা –

"ওঝা হৌনবী তৌররে।"

ঐখোয় মীকপ থোক্লরবসু ৱাদি অমত্তা ঙাংনদে। ঐখোয়না ৱা ঙাংদনা তুমিন্না লৈবদুদা থোঙদো য়াম্না কন্না ইল্লক্লে। থোঙ নমখায়রকপা য়ানা ইল্লক্লে।

"থোঙ হাংদোকপিয়ু। নৎত্রবদি থোঙ নমখায়রনি।"

থোঙ হাংদবা য়ারোইদবা মওং উবদা কুঞ্জেশ্বরনা –

"নখোয় কনা কনানো? নুমিদাংসিদা থোঙ হাংঙু হায়রিবা করিগীনো?"

"ঐখোয়গী মথৌ লৈ। থোঙদা হাংদোকপিয়ু।"

থোঙ হাংবগা মখোয়না পুরকপা অচৌবা মোম্বতি অমা টেবলদা থানখ্রে। পুরকপা খূৎশু–খূৎলায় রোদ, দেগার টেবলদা থম্লগা ঐখোয়দা বেলোট পেপর পুথোরকউ হায়না পুথোকহল্লগা লোয়না মার্ক তৌশিনখ্রে। ঐদি হৌগত্তে। নখোয়না চৎলমদাইদা বেলোট উপুদু হৌনবী মতুং ইন্না য়াংনা শেম শাদুনা লোয়শিন্নবা হায়রম্মী।

"ময়াম করিমত্তা নুংশা থিবিগনু। ঐখোয় মন্ত্রীগী মী ঙাক্তনি। উত্তমাদাগী মী ঙাক্তনি। ঙাইহাক মতুংদা ঐখোয় অমুক হল্লকখিগনি। থবক লৌয়শিন্দুনা থল্লবা য়েংবা লাক্কদৌবনি।"

নোং ঙানবগা নুমিদাংগী থৌদোক্তো য়াংনা শন্দোক্লম্মী। ঐখোয়না কাটলিছরা থানাদা খঙহনবগীদমক ঐখোয়গী ফার্ষ্ট পোলিং ওফিসর অনী থানাদা থারম্মী। অদুবু লম্বীদগী থাঙ উত্তুনা মখোয়বু হলহল্লকখি। ঙাইহাক মতুংদদি থানা লাক্লে। থানা লাকপগা ঐখোয়দা হংলরিবা ৱাহং মওং নুমিদাংদগী খোয়দৌ শাওগত্তুনা লৈরিবা ঐখোয়দদি লাইরেনগী মখোয়দৌদা তৌরানা থিনমগুম থোকখি। পুলিস অমনা ঐখোয়দা ঙরং ঙরং ঙংখৎলকই–

"অদোম ময়াম পোলিং ষ্টেসন স্কুলদুদা লৈরমদ্রিবা করিগীনো?।"

"তাইবঙ মীনা লৈবা য়াবা মফম ওইরম্মবদি করিগী লৈরোয়দবগে?"

ঐগী ৱাতাদো তাবদা থানাৱালা তুমিন্না লৈখি। অদুদগী থানা কাঙবুগা ভোটিং সেন্টরদা লাক্লগা স্কুলদুগী ফক্লাংদা ভোট য়ৈথোকপগী নোটিশ থেৎলম্লগা থানাগী গারীদা ঐখোয় তোংদুনা লাকই। লম্বীদা ওঝা অভিরামগী পোলিং ষ্টেসন য়ৌরকপদা গারী লেপ্পী। অভিরামদো ঐখোয়গুম্না মশম মনা ইফা ফানা লৈরম্মী।

"দাদাখোয়সু তৌখ্রবোয়ররে?"

ঐখোয় পোলিং পার্টি অহুম থানা য়ৌরে। থানা য়ৌরগা মদুদসু থানাৱালাশিংনা হংখ্রিবা ৱাহং। মরাল লৈরবা মীশিংদা হংবা মওংগী ৱাহং ঙাক্তনি। খোয়দৌ শাওগৎলম্মী। শরক অদুদা দি সি না ফোন তৌরকই। ঐঙোন্দা ফোন পীরকই।

"থৌদোক্কী মতমদা ঐখোয়না পীখিবা সিক্যুরিটি কাঙবুদো করি তৌদুনা লৈরম্বগে?"

"ঐখোয় ফাওবা লৈফম লৈতদুনা ফমুংদা খরা লৈবাক্তা খরা হিপ্তুনা লেল্লি। মফম কদায়দা সিক্যুরিটি কাঙবুদো লৈহনগদৌরিবা? অদুগীসু মথক্তা ঐখোয় পোলিং পার্টি অনীগী লীচৈ পায়বা অনীদুনা খূৎলায় পায়দুনা লাকপা মী কুম্ব্রামুক্তুদা করি তৌগনি সার?

এফ আই আর তৌবদুদমুক পুন্সিগী উনা খঙনদ্রিবা খূৎলায় পায়দুনা লাকখিবা মীশিংদুগী মমিং পীয়ু হায়দুনা থানাৱালাগী মওংদা তকশিল্লকই। গ্রীক গ্রীকনি। চার্জ তৌবগী মওংনি। অদুম্না তৌরিঙৈ মতমদুদা ঐখোয়না লৈরম্বা য়ূমদুগী ক্লাস টেন তম্বা নুপামচাদো থানা পুদুনা লাক্লম্মী। নুপামচাদুনা হায়বা মীশিংদুগী মমিং খরা পীরগা এফ আই আর তৌরম্মী। ঐখোয়না মপান থোক্লকপদা থানাগী ভারান্দাদা ঐখোয়গী ইলেক্সন ইনচার্জ এ দি সি দো ফম্লম্মী। ঐখোয়না ফগদমাল্লে হায়দুনা মঙোন্দা ঐখোয়গী মথংগী তৌফম থোকপা হংলুবদা মদুদসু অরং অরং। ঐখোয়সে অরানবা তৌরুবা মক্তনি হায়বগী মওংনি।

হাইলাকান্দি য়ৌরগা রিপোল নুমিত্তা মফমদুদা অমুক ইলেক্সন দ্যুটি তৌদবা য়ারোই হায়না অয়াবা চে ইদুনা পীদ্রবদি ইলেক্সন মেটরিয়েল রিসিপ্ট তৌ হায়বা য়ারমদে। ঙমগনি ঙম্মোয় ইন্নবদা মতম অসুম থেংজিল্লকখি। তৌফম লৈতদুনা য়ারে হায়না অইবা চে পীরম্মগদি য়ূম য়ৌরকপদদি নোং ঙাল্লমদাই য়ৌখি।

রিপোল নুমিত্তুদি ঐখোয় অমত্তা চৎলুদ্রে। উকিলগা তান্নদুনা ঐখোয় মেন্টেলি হেন্দিকেপ্ট ওইরে হায়না চে থারগা দ্যুটি তোকখি।

ঐগা লাইরিক তম্মিন্নখিবা মরুপ অমা হরিশনগরদা ওঝা ওইদুনা লৈ। মফমদুদা য়ূম লীংদুনা লৈখ্রবনি, মমিং রাজকুমার কৌই। থামুক মতুংদা মাগী ময়ূমদা থবক অমগীদমক চৎলুই।

ঐখোয় অনী অসুম ৱারী শান্নরকপদা ঐখোয়না চৎলুবা পঞ্চায়ট ইলেক্সনগী ৱারী লম্বী চৎনা চৎনা রাজকুমারনা হেক হৌদোরকই– 'য়েংঙু, রিপোল নুমিত্তা শিখিবা নুপাদুগী মোঙফম্নি।

চীংদুম মচা অমগী নাকচিদা লম্বী মপান্দনি মোঙফমদো।

"ঐগী ইমাঙমক্তুদনি হাৎখিবা। পুলিসশিংগী মমাঙদনি। পুলিসশিংদো অশাবা মুর্ত্তিগুম লেপ্তুনা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈখিরম্মী। মরমদি মী হাৎলিবা মীশিংদো মন্ত্রীগী মী ঙাক্তনি। লৈঙাক চুপ্লি পায়বা পার্টিগী মীনা হাৎখিবনি। শিখিবা মীদুগী মরালদি মখোয়না রিগিং তৌবা মতমদা থিংনবগীদমক মথৌনা ফনা চোংথোক্লুবগীনি।"

ৱাশিংসি হায়রকপদা শাওখিবনা রাজকুমারগী মশাদু থক থক নিকখি।

'গনতন্ত্রিক দেশকী নাগরিক পূম্নমক্কী হকনি ভোট থাদবা। ঐখোয়না পীনিংবা মীদা ভোট পীগনি' হায়না প্রোটেষ্ট তৌরুবগী মরালগীদমক মহাকপু হাৎখিবনি।

মায়কৈ মরিদা শম্বলনা ইকোয় কোয়শিল্লি। ময়াইদা খুদুপ মঙা তরুক ৱাংবা চৈখোক অমদা ফিরাল অঙাংবা অমনা নুংশিত্তা ফর–ফর হাইরম্মী। মনীংতম্না হাইরম্মী। মোঙফম অদুদা কনামত্তনা অথিংবা পীবা ঙমদনা অঙাংবা ফিরালদো হাইরম্মী।

---

## শৈরেং

### ফাদোক

*– নাওরেম অমুয়াইমা*

পুন্দুনা থম্মী হায়দুনা পূন্সিনি
মমা পূক্নুংদগী থোক্লকপগা কপ্পি
পোকপদা নরক তারক্লবা মীওইবা
শিরগা স্বর্গ কারিবা পূন্সি
শাপন্দা কোকপা মতম ঙাইরম্মী।
পাল্লুরবা সংসারদা ফাদোক তারবা
পাইবা ঙম্লরোই ফাদোক অপাইবা
নুপী অঙাং ময়াগী লাংদা
মপুনা ময়ূমদা মীনাই খল্লি,
কান্নদ্রবা কোকথোং লৌৱাইদা থোংলবা
ঈশিংপুন পুবগুম থকপদি ফঙদ্রবা
থক্কনি থক্কনি খৌরিদি কংলবা।
কারুরবা স্বর্গদা কপ্পদি য়াররোই
কুম্লুরবদি নারক্তা নোকপা ফঙলরোই
অৱাবা নুংঙাইবা মর্ত্যগী মরুপ নী,
নুংঙাইবা নদোমতা কনাগা নোক্কনি
পৈশা য়েংলগা নোকপরা হনুবা হনুবী
কৈশুমদগী থোক্লকপদা কনাদি লৈরমগনি
মনুংদা লৈহৌগনি মরুপ মপাং ময়ামদি।

### নঙ লাক্লবোই নীংলুরে

*– রাজেন খুমুকচম*

নঙ লাক্লবোই নীংলুরে
মালংনা লিরি হুম্লকপদা
লিক্লানা তপ তপ তারকপদা।
স্বাই লাওই ইশাসে
ইপা পাখৎলি ৱাখলসে
তথক তথক পূক্লিংসে
সিবু করি মতৌনোসে।
হৌখ্রবা অদুঙৈগী মতমদো
নীংশিংলকই ঙসিদি নৌহৌনা
সিবু মঙলা তাইবঙলা
হায়য়ুনে মালংবা নঙবো।

### বদনাম

*– রাজকুমারী মীনা*

পূন্সিসে ইনিং তম্না শিজগে
অয়েৎপা লৈতনা লাংঙোনসিদা
পীবিগনু বদনাম শক্লোন কয়াগী
ঙাংনবিগনু তাথি তাওইনা নুংশি হৈতনা।
হায়রক্লরোই ঙাংলক্লরোই মতাগুম
পীবিগনু বদনাম কয়া কয়াদো
ইকাইখিনি অশিবশিংগী থৱায়দুনা
চৎখিগদবা থাদোক্লগা মালেমসে।
মীওৎ থিনা য়েংহৈদনা ওৎপিখিবা
হাত্তোকপীখ্রবা তমথিনা অশিবশিংনি
খন্থররোইদ্রা নখোয়বু হে তম্নলাইশা
ফঙগনি নখোয়সু চৈরাক অহকপা।
কপচরমগনি উপায় লৈত লায়রম্লেন্দা
লোন্থোক্লুবা অশিবগী থৱায়শিংদুনা
ওইদবা বদনামগী কুয়োমশিং পুদুনা
তিলহল্লে মখোয়বু চৈরাক অহকপা।
থংজিনবিখি ওইরোইদবা মরাল কয়া লেপ্তুনা
অদুবু কাউগনু তম্নালাইশা নখোয়না কৈদৌনুং
চেনফম লৈরক্লোই লাক্লবদা অচুম্বগী পন্থুংফম
ফঙগনি মতমদুদা অহকপা চৈরাক তাইবঙ মপুগী।

### ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট

*– নির্মলা রাজকুমারী*

ফোঙলো নঙগী নুংশি পাউখোঙ
লোৎশিন্দুনা থম্লনু
ফোঙদোক্তবা নুংশিবা
করম্না খঙগনি নুংশি হায়বা।
মীৎয়েংনা পাউখোঙ চল্লসু
খঙদে অশেংবা থম্মোয়দি
করিগীনো অসুক কুইনা
পাউখোঙ চন্দুনা লৈরিবা
লাঙতক্নহল্লনু থম্মোয়সে
ফোঙলো নঙগী নুংশি পাউখোঙ
খঙহল্লো নঙগী অশেংবা নুংশিবা
থম্মোয়সে মকা লামজরগে।

### অহোংবা লৈতে, তৌদবা য়াদে

*–নিংথৌজম প্রেমিলা*

রেদিওদা লীলা, দ্রামা শন্দোক্লসু,
টেলিভিজনদা পাউজেল পীরসু,
দখিনাগী লমজেলদি
নিঙোল চাক্কৌবগী অহোংবা লৈতে।

ফনা ঙমদবা ওইরসু,
চরা নাম্মতা চারসু,
মমল অতাংবা পোৎ–চৈ, অথুম–অহাও
নিঙোল চাক্কৌবগী পুদবা য়াদে।

ফনা শেল লৈতবা ওইরসু,
লাইর চমোৎনবা ওইরসু,
মখল মথেলগী ফিজোল,
নিঙোল চাক্কৌবগী শেত্তবা য়াদে।

ফনা অকে অমৌগী সনা লিক কোল লৈত্রসু,
মমল অতাবগী,
সনা শেংদবনা ওইরসু,
নিঙোল চাক্কৌবগী শিরগা চত্তবা য়াদে।

ফনা অনা অয়েক য়াওরসু,
ইমুংদা অৱাবা তারসু,
অশি–অনাবু য়াওদ্রদি
চহীগী অমুক্তং থোকপনি,
নিঙোল চাক্কৌবগী অহাওবা চাদবা য়াদে।

ফনা লায়রবা ইমুং ওইরসু
ইনাক খুনবগা লোয়নমক মান্নদ্রসু,
দখিনাগী লমজেলদি
অহোংবা লৈতে,
নিঙোল চাক্কৌবগী তৌদবা য়াদে।

---

## তাবুনুংদগী

*মণিপুরগী অহানবা মপুং ফারবা ফিল্ম "মতমগী মণিপুর" এপ্রিল ৯, ১৯৯২ দা উষা সিনেমাদা রিলিজ তৌখি। ফিল্ম অসিদা শকখিবা ঈশৈ পূম্নমক মতম অদুদা য়াম্না পাম্না শক্লখি। ফিল্ম অদুদা শকখিবা খুরাইজম ফুলেন্দ্রনা শৈরেংবা অয়েকপম কমলানা শকখিবা নাওশুম ঈশৈ অমগী ময়েক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### থা থা থাবুংতোন

থা থা থাবুংতোন,
ঙাল্লি চীক্লা নোংমদোন
থৱান্মীচাক পরেংনা,
উইরুম উইরুম য়েংলিয়ে।

লুপা মফোল লৈচীলনা,
তুম্নীং তুম্নীং তাউরিয়ে
অহিং নাউশুম তম্পাকথক,
তাইবঙ জীব উইথরে।

লৈচীল শগোল চিংদুনা,
থাবল দোলাই তোংদুনা
পলেম ঈশৈ তাদুনা,
তুমখুন তাল্লো অপিশক
রেশম নোংদোন ৱাংমদা–
চৎলো চৎলো মঙলৈবাক্তা
থা থা থাবুংতোন... হুম হুম হুম হুম...।।

---

## মণিপুরী পাঙ্থৈ–পাউৱৌ, পাউতাক

* **খনগৎপদা য়াওহল্লু খন্থবদা য়াওহনগনু।**
  – অফবা তৌ ফত্তবা খলহৌ।
  – মীনা শিংথানবদা য়াওহল্লু।
* **খনমল্লবদি তাঞ্জা নাম্থোকখি।**
  – য়াম্না কুপশিলমল্লবসু ওইজবা মাঙই।
* **খন্নবা য়ারত্তুবদি খৎনবা ওল্লি।**
  – ৱা তান্নবা য়াদ্রবদি খৎনরকই।
* **খৎমন্দুনা জগোয় য়াওহন্দে।**
  – চরাংনবা, খৎলি খৎলি তৌবনা থবক মখা থদৎলি।
* **খৎপা ওক্লদুনা পাইবা অমুক তম্বা।**
  – ফত্তে খঙদুনা লৈরবদা অমুক্কা ফত্তবা লম্বীদা (লমচৎ) চৎলকপা।
* **খৎনরে খৎনরে খাম্বা ঙমদরে কহ্নাই খোরোরে।**
  – কহ্নাইনা খাম্লসু য়াদ্রবা হন্নদ্রবা খাম্বা য়াদবগী মওং অদুবনি।
* **খৎনদৈ শরুক খন্নবনা ফৈ।**
  – খৎনববুদি খন্নরগা নুংশিনবনা ফৈ।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

---

## চানক্য নিতি

– শঙ্গোম থোক্তুবা ষণবী, মচা চেন্দ্রবী ষণগুম্বনি লাইরিক হৈবসু ওইদ্রবা ভক্ত ওইবসু নৎত্রবা মচাদুদি।
– শোক্লবা থম্মোয়বু পোত্থাহনবা ঙম্বদি মচা–মশু, নুপী (মতু) অমসুং সাধু সঙ্গ– অহুম অসিতননি।
– নিংথৌ অমসুং পণ্ডিতনা ৱা অমত্তা ঙাংই, মচা নুপীবু অমুক্তা থাজে– অহুম অসিদি অমুক্তা তৌবনি।
– তপস্যদি মী অমত্তা তৌগনি, লাইরিক পাবনা অনীনা, ঈশৈ শকপদি অহুম পুনগনি, খোঙচৎ অমা চৎপনা মরিনা, লৌউবনা মঙানা অদুগা য়াম্মীবমখৈ লান্দা কান্নে।
– তরু তরুবী, থবক্তা হৈ শিংবী, মপুরোইবা নীংবী, মপুরোইববু পেলহনবী অমসুং অচুম্বা ঙাংবীদুবু নুপী (মতু) কৌই।
– মচা য়াওদবা য়ূম, মরী মতা লৈতবা মায়কৈ, অপঙবগী থম্মোয় অহাংবনি। লায়রবদি পুমহাং হাংই।
– থবক ওন্থোক্তুবা শাস্ত্রগী ৱা, অনাবা মীদা অহাওবা চাক–এঙ্গাং, লায়রবা মীদা মীয়াম তিনবা থৌরম অমসুং হনুবা অমদা নহা ওইবী নুপী (মতু) হুনি।
– থৌজাল লৈবা য়াওদবা ধর্ম্ম, মহৈ হৈতবা গুরু, ঈশৌ লাংবী মতু, লুনা তৌদ্রবা মরী–মতা থাদোকখো।
– খোঙনা চত্তুনতা লৈবা মী থুনা হনুবনি, পুন্দুনতা থম্বা শগোল থুনা হনুবনি, মপুরোইবগা শয্যা পুন্দুনা নুপী থুনা হনুবনি অদুগা নুংশাদা তোয়না ফৌরবা ফি থুনা মনবনি।
– অশিংবা মীনা মতম, মরুপ, মফম অরাকপা, চাদিং মশামক কনানো, অদুগা মাগী শক্তি কদায়দগী ফংবনো হায়বদু মতম পূম্বদা কন্দুনা লৈগদবনি।
– পোকপিবা, দিক্ষা গুরু, শিক্ষা গুরু, চাক থাকপিবা অমসুং অকিবদগী ঙাকপিরিবা মঙা অসিবু ইপানি খনগনি।
– নিংথৌগী নুপী, গুরুগী নুপী, মরুপকী মমা, মতুগী মমা অমসুং অপোকপী মমা মঙাসিবু ইমানি খনগনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

---

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২৭৯। লম অমগী মমিং, লৈফম অমগী মমিং, চীঞ্জাক অমগী মমিং অহুম্না পুল্লগা লম অমগী মমিং ওইবা করি লমনো?
২৮০) য়ুনিফোর্মদি শেত্তবা, সিফাই, সিফাইদি কৌনবা করিনো?
২৮১। য়াম্না হাওবা পোৎতি ওইবা মমিংদি তাবদা হঙ্গোইবা করি পোৎনো?
২৮২। মপাদি য়ামবা মমাদি অমখক্তা ওইবা (নৎত্রগা য়ামগন্দবা) করি জীবনো?
২৮৩। মচা পোকঅগা মচাগা লৈমিন্নদবা জীব করি জীবনো?
২৮৪। খূৎলায় য়াওদনা ম্যাজিক খোঙবা করিনো?
২৮৫। চাউরগনা মচা পীবা, পীকঅগনা অচৌবা পীবা করিনো?
২৮৬। মমায় চাম্মসু ফজৈ হায়নবা করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (১৫–১২–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

*২৭৫) ১১০০১১ X৯০৯ নি। ২৭৬) ৯ না ২২, ৩৩, ৪৪, ৫৫, ৬৬, ৭৭, ৮৮ অমসুং ৯৯ দা পুরিবনি অমসুং মদুগী ফলশিংনি। ২৭৭) ৯৯ দা ২, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯ না পুরিবনি অমসুং মদুগী ফলশিংদুনি। ২৭৮) পোকপদা হরাওদবা শিবদা কপ্লিংদবা।*

---

## চয়োলশিংগী ফাগী

**সিফাইগী দিসিপ্লিন !!**

সিফাইগী কেম্প অমদা ইন্দিপেন্দেন্ট দে পালন তৌনবা থৌরাং তৌরম্মী। ফিরাল চিংখৎনবা থৌরাং তৌরম্বা মখোক্তু পংৱাং ৱাংদবা মাল্লদুনা অচৌবা অমনা মখা থাবা অমদা –"ফিরালগী চৈখোকসি কয়াম ৱাংগে অমুক্তা ওল্লু, ফুট ২৫ ৱাংদ্রবদি অমা শিন্দোকউ," হায়দুনা ওর্দর তৌরম্মী। মতুংদা –

গ্রুপ কম্মান্দর – (ফিরাল মখোক য়ুংলিবা সিফাইদা ) মখোকসি কয়াম ৱাংগে অমুক্তা ওন্থোকউ।

সিফাই মচা – হুজুর মখোকসি অমুক ফুক্তোকচরগা ওঞ্জবা য়াগদ্রা?

গ্রুপ কম্মান্দর– য়ারোই। সি. ও. না কয়াম ৱাংগে ওল্লম্মু হায়রম্বনি, কয়াম শাংগে ওল্লু হায়বা নত্তে।

**নুপীগা নুপাগা খেন্নবা !!**

হৌজিক্কী মতমদদি নুপীগা নুপাগা অনীগী মরক্তা খেন্নবসি ইরৈ লৈশিল্লক্ত্রে। ফিজেৎ–চাকচাদা, কন–থৌবদা, মতিক–মগুন্দা, রাইটসতা করিদা অয়াম্বনা মান্নরে। অদুবু য়াম্না শাথিনা খেন্নরিবা হায়ববু–

নুপা অয়াম্বদি অফবা / ফত্তবা ৱাফম অয়াম্বা নাকোং নাম্মদা চঙহল্লগা অতোপ্পা নাকোং নাম্মদা থোকহনখি। অদুগা অমরোমদা নুপীশিংদি ৱাফম খূদিংমক মনাকোং অনীদা চঙহল্ললগা মচিন্দা ওইনা থোকহল্লকই।

**শেরান তুরান হায়গনু !!**

মরুপ অমনা– (অমদা করেম্নদুনা) ভাই নঙসিদি তিন্নদৌ হেক তল্লিহে, কৈনো নঙনা অধা–মোরাদৌনা, ফৈজোম্বু নুপীদা শুহনগেদি হায়দ্রগা নশানা শুজৈ হায়দুনা মীনা ঙাংনরিবসি করিমত্তা খঙদ্রা?

মরুপ অমদুনা –(খরা শাওরপ) হেরা ভাই শেরান তুরান পংহায় হায়জিনগনুদা, মীৱা ঙাংনবা মথৌ লৈতবা কনানো অদুম হায়রিবা মচিন কায়নি, মী ঐনা শুবদি ফৈজোমসু নত্তে, ঐখোয় নুপীগী ইন্নফিনি।